**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-01-2025)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-ভারত অসি মেত্রো রেল নেটৱাক খ্বাইদগী শাংবা মালেমগী অহুমশুবা লৈবাক ওইরে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ইং ২০১৪ দগী হৌনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা মেত্রো নেটৱাক্কী ফিভম ফগৎহন্নবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎলকখি। মসিনা মরম ওইদুনা মতম অদুদা সহর মঙা খক্তদা কিলোমিটর ২৪৮ খক্তমক শাংবা মেত্রো নেটৱাক লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি সহর ২৩ দা মেত্রো নেটৱাক কিলোমিটর লিশিং অমগী মথক্তা লৈহনবা ঙমলে। মসিগী মথক্তা সহর ২৮ দা মেত্রো নেটৱাক কিলোমিটর লিশিং অমরোম শেমগৎপগী থবক চত্থরি।

মহাকা হায়-নোংমগী মনুংদা মেত্রো রেলশিংনা কিলোমিটর লাখ ২৮ লোম চৎথোক চৎশিন তৌরম্বা অদু হৌজিক্তি কোতি অমগী মথক্তা হেনগৎলে। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি প্রধান মন্ত্রিনা সহরগী লম মতমগা চুন্নবা মওংদা শেমগৎকনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং অদু থবক্তা ওন্থোরকপনি। মসিনা লৈবাক অসিগী মীওই লাখ কয়াগী পুন্সিগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহল্লে।

পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনসু সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসিগী মেত্রো রেল নেটৱার্কতা শিংথানিংঙাই ওইনা অহোংবা পুরকপা ঙমলে হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**ব্লোকেড (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাদা কৌখিবা টোতেল সটদাউন অমসুং ইকোনোমিক ব্লোকেদ ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং অনিদগী হৌরগা পুং ৪৮ গী

ওইনা কোমথোক্লে হায়রি।

কমিতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিতি (কোটু) না থোকপা চেরোল অমদা হায়-কাংপোকপী জিলাগী লুংতিন সব দিভিজনগী মনুং চনবা সাইবোল এরিয়াদা সি.আর.পি.এফকী পার্সোনেলশিং থমবা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংগা ৱারী শান্নবদা য়ান্নবা পুরকপদগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমীনা হায়-জিলা অসিদা দুকানশিং হাংনরে অমদি লম্বীদা গাড়ি চেন্নবা হৌরে। নেসনেল হাইৱে নম্বর টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়িশিং মহৌশাগুম চৎথোক চৎশিন তৌরে।

**য়ুসিএম (এল)ঃ** য়ুনাইটেদ কমিতি মনিপুর (য়ু.সি.এম) গী প্রসিদেন্ট-ৱাই.কে. ধিরেননা হায়রি-মনিপুরদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মচোই মচোই তাহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি থেংননবগীদমক য়েলহৌমীশিং পুনশিনবা তঙাইফদে।

য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মনিপুরনা থাবুম অমা চুপা চথরক্লিবা ১৯১ শুবা নেসনেল রিকন্সোলিদেসন মন্থকী শরুক অমা ওইনা ককচিং জিলাগী ৱাবগাই লমখাই লাইরেম্বী ক্লবকা খুৎশমদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা 'ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোইসি' হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা ৱাফম অসি শ্রী ধিরেননা ফোংদোকখিবনি।

**মৈ (এল)ঃ** তেংনৌপল জিলাগী মোরে ৱার্ড নম্বর টুদা লৈবা মীসন ভেংদা ঙরাং অহিং চাউনা মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখ্রে।

ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়-থৌদোক অদুদা য়ুম তরেৎলোম মৈ চাকখি। মৈ চাকপা অদু ইলেক্ট্রিক্ট সোর্ট সার্ক্যুইটতগী হৌরকখিবনি।

**পিএমঃ** দিল্লিগী নামো ভারত কোরিদোর য়াওনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি দিল্লিদা লুপা কোতি লিশিং ১২,২০০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ

থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে, খরগীনা শঙ্গাখ্রে। প্রোজেক্টশিং অসি মরুওইনা লমদম লমদমগী মরক্তা ফাওনবগী চাং হেনগৎহন্নবা অমসুং চৎথোক চৎশিনগী থবক হেন্না লায়থোকহন্নবা পায়খৎপনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা সয়িদবাদ আর.আর.টি.এস. ষ্টেসনদগী ন্যু অশোক নাগর আর.আর.টি.এস. ষ্টেসন ফাওবা নামো ভারত ত্রেন তোংদুনা চৎখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-ঙসি মহাকা সয়িদবাদতগী ন্যু অশোক নাগর ফাওবা নামো ভারত ত্রেন তোংদুনা চৎখিবা অসিনা চাউখৎলবা ভারতকী সহরশিংদা তুংদা ওহরক্কদবা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনগী হেন্না ফগৎলবা শক্তমশিং উৎথোকপা ঙমলে। মহাকা হায়-নামো ভারত প্রোজেক্ট অসি মপুং ফানা হেক লোয়বগা দিল্লি-মিরট রুটতা ত্রাফিক্কী অহোংবা শিংথানিংঙাই ওইনা উবা ফংলগনি।

**ঐচএমপিভিঃ** কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না হায়রি-হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা চিনাদা ঐচ.এম.পি. ভাইরস শন্দোরকখিবগী থৌওং অদু মন্ত্রালয়না কুপা য়েংশিল্লি। ভাইরস অসি টেষ্ট তৌনবা লেবোরেটোরি কয়ামরুমসু আই.সি.এম.আরনা হাংদোক্লগনি।

মন্ত্রালয়গী পাউনা মখা তানা হায়-লৈবাক অসিদা ঐচ.এম.পি.ভি. য়ৌরকপ্রা হায়বদু চহিসিমা চুপা কুপা য়েংশিনগনি। হীরম অসিগী মতাংদা হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর জেনরেলনা সভাপতি ওইদুনা হন্দক্তা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমনসু কুপা খন্ন-নৈনখ্রে। হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর জেনরেল-ডা: অতুল গোয়লনা হায়-হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী কিনিংঙাই অমদি নুংনাংনিংঙাই লৈতে। অদুমওইনমক, মীয়ামনা তঙাইফদবা চেকশিন থৌরাংশিংদি ঙাকা চৎকদবনি।

**সিপিআই (এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভরমেন্ট ইমপ্লোয়িজ কনফিদরেসসনগী ঙসি কোলকাতাদা পাঙথোকখিবা মীফমনা মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিবু কেন্দ্র সরকারনা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকবা তকশিনবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

**গাংমুমৈ (এল)ঃ** গাংমুমৈ কামৈ ফাউন্দেসননা শিনদুনা প্রোফেসার-গাংমুমৈ কামৈ লৈখিদবগী ৮ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা প্রিমোরদিএল সোসিও কলচরেল প্রাক্তিসেস ওফ কম্যুনিটিজ ইন মনিপুর কৌবা লাইরিক অমসু ফোংখি।

**কেম্প (এল)ঃ** খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী সেনিয়ার সিটিজন্স সোসাইতিনা শিনদুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ১০০ রোম লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

**কুম্ভাঃ** উত্তর প্রদেসকী প্রয়াগরাজতা পাঙথোক্কদৌরিবা মহা কুম্ভা মেলা য়াওবা লাকপা মীওইশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগীদমক জল পুলিস পার্সোনেল লিশিং ২, ৫০০ রোমা গঙ্গা অমসুং যামুনা তুরেলগী তোর্বানশিংদা ঙাক শেলহনগদৌরি। পুলিস পার্সোনেলশিং অসিনা অন্দর ৱাটর দ্রোন অমসুং সোনার সিষ্টেম য়াওনা মতমগা চুন্নরবা খুৎশু খুৎলায় কয়া শিজিন্নগদৌরি।

খোঙথাং অসিগা মরী লৈননা জল পুলিস ষ্টেসন অহুম হাংদোক্লে। কুম্ভা মেলা পাঙথোক্কদৌরিবা মফম শিনবা থুংনা সব-কন্ত্রোল রুম ১৭ সু হাংদোক্লে। হায়রিবা সব কন্ত্রোল রুমশিং অসি কন্ত্রোল রুম অমদগী মোনিটর তৌগনি।

অমরোমদা, থা অসিগী ১৩ দগী মথং থাগী ২৬ ফাওবা উত্তর প্রদেশতা লৈবা গঙ্গা-যমুনা অমসুং স্বারাসতি তুরেল অহুমগী ইতিনফম ওইরিবা প্রয়াগরাজদা পাঙথোক্কদৌরিবা মহাকুম্ভ মেলাগীদমক ইন্দিয়ান রেলৱেজনা রেলগাড়ি লিশিং ১৩ চেলহনগদৌরি। মেলা অসিগীদমক চৎথোক চৎশিন

তৌবদা খুদোংচানবা হান্না চেল্লন্বা রেলগাড়ি লিশিং ১০ গী মথক্তা অখন্নবা রেলগাড়ি লিশিং ৩ সু হাপচিনগদৌরি। রেলগাড়িশিং অসিনা মেলা অসি হৌগদবা নুমিৎ নিনি হুমি ৱাৎলিঙৈদগী চেনবা হৌরগা মেলা অসি লোইরবা মতুংদা নুমিৎ নিনি হুমি ফাওবা পুন্না নুমিৎ ৫০ হেন্না চেনগনি। প্রয়াগরাজদা পাঙথোক্কদৌরিবা মহাকুম্ভ মেলা অসিদা মীওই কোতি ৪০ হেন্না তিল্লবা য়াই হায়না আশা তৌরি অমসুং মসিনা মীয়াম তিনবগী শিন লাংবদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইগদৌরি।

**রাস্ত্রপতিঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়রি-নাগরিকশিংনা লৈবাক নীংবগী ৱাখল চেনদ্রগদি মালেমগী লৈবাক অমত্তা চাউখৎপগী লম্বীদা চংশিনবা ঙমলোই।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি এন.সি.সি. রি-পাব্লিক ডে কেম্প ২০২৫ দা চৎপা খোঙচৎ অমদা শ্রী ধনকরনা হায়-ভারতনা মপুং ফানা চাউখৎনবা হোৎনবদা লৈবাক নীংবা, থৌশিল থৌরাং হৈবা অমসুং জাতিগী ৱাফমনা খ্বাইদগী মাংওইননা খনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। জাতি অসিবু শেমগৎপদা য়ুন্বী মঙা তঙাইফদে হায়না ফোংদোক্লদুনা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-মরুওইবা য়ুন্বীশিং অদুদি সোসিএল হারমোনি, পীক্লিকৈদগী হৌনা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন চেনবা, মহৌশাগী অকোইবগী ফিভম নীংথিনা খঙবা, মরোরমদোম লেপচবা ঙমবগী ৱাখল লৈবা অমসুং নাগরিক অমা ওইবগী থৌদাংশিং নীংথিনা খঙবা হায়বসি অসিনি।

**দিবসঃ** নুমিৎ হুমনি চথুগদবা ১৮ শুবা প্রভাসি ভারত্তিয়া দিবস কনভেন্সন ২০২৫ উরিষ্যাগী ভুবনেশ্বরদা থা অসিগী ৮ দগী হৌরগনি। মীফম অসিগী মপুং ওইবা হীরমদি ভিক্সিত ভারত অমা শেমগৎপদা মপান লৈবাকশিংদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগী থৌদাং হায়বসিনি।

মীফম অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৫০ হেনবদা লৈরিবা ভারত মচাশিংনা শরুক য়ারনবা রেজিস্তার তৌরকখ্রে। প্রভাসি ভারত্তিয়া দিবস অসি থা অসিগী ৯ দনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র শরুক য়াগনি।

**এনআইএঃ** আইনন থিংখ্রবা পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি.এফ.আই) গী কাডর অমা এন.আই.এনা ঙসি ন্যু দিল্লি ইন্দিরা গান্ধি ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতগী ফারে। ফারবা মহমদ সজাদ অলম অসি দুবাই অমদি মসিগী অকোইবা মফমশিংদগী শেল লৌথদুনা ভারত্তা টেরোরিজমগী ওইবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা চেন্নবা মীওইনি। মহাক্কী মথক্তা এন.আই.এ. স্পিসিএল কোর্ট পটানানা এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইশু তৌদুনা ফাননবা হোৎনরকখিবা মীশকনি।

**কোষ্ট গার্ডঃ** গুজরাটকী পোরবন্দর ইয়ারপোটতা ঙসি ত্রেন্নিং চত্থরিঙৈদা কোষ্ট গার্ডকী এদভান্স লাইট হেলিকোপ্তর অমা কায়বদা মীওই অহুম শিরে। অহানবগী ওইনা ফংবা পাউদা হেলিকোপ্তর অদু মহৌশাগুম ত্রেন্নিংগীদমক পাইবদা খঙহৌদনা কায়খিবনি।

অমরোমদা, জম্মু কাশ্মিরগী কিস্তরৱর জিলাদা গাড়ি অমা চিং লন্থীদগী ওন্থদুনা তুরেলদা তাশিনবদা মীওই মরি শিরে, অনি থিবা খঙদ্রি।

**মেট** ঃ লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা ঙসি অয়ুক লৈচিল কুংনা থাবদগী এরোপ্লেন পাইবা অমসুং রেল গাড়ি চেনবদা অপনবা থোকখ্রে। মফম অদুদা ঙসি অয়ুক কা হেন্না ঈংবসু মায়োকখি। ইন্দিরা গান্ধি ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা ফ্লাইট কয়া লৈচিল কুংনা থাবনা মরম ওইদুনা পাইবগী মতম চোন্থখি। এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিন তৌবগী মতমগা মরী লৈননা পেসেঞ্জরশিংনা খঙনিংবা ঈ-পাউ লৈরবদি এয়ারলাইনগা পাউ ফাওননবা খঙহল্লি। ৱেদর রিপোর্টকী মতুংইন্না দিল্লিদা ঙসি

অয়ুক ঈংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১০ ওইখি।

অমরোমদা, জম্মু কাশ্মীর, লদাখ অমসুং হিমাচল প্রদেশতা ঙসি পারপ্তুগীনা ময়াই ওইরপ্লা চাং য়ৌনা নোং চুরবা য়াই হায়রি। পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর অমসুং উত্তর প্রদেশকী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুকশিংদসু লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অখাক অরাউনা নোং চুরবা য়াই। ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ হুমি অসিদা অৱাং নোংচুপ ভারত্তসু ঈংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ২-৩ দা হেনগৎলবা য়াই।

## --শান্নবগী পাউ--

**ফুটবোল(এল)ঃ** এঠলেটিক স্পোর্টস এসোসিয়েসন-কোংবা রোডনা শিনবা অনিশুবা মাইবম মুনাল মেমোরিএল ফাইব এ সাইট সোক্কর টুর্নামেন্ট ঙসি মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হৌদোকখ্রে।

টিম ৪০ না লিগ কম নোকআউট ফোরমেটতা শান্নগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা চথুরিবা অহানবা ওইনাম চারলি মেমোরিএল অন্দর ফিফতিন সোক্কর টুর্নামেন্টকী প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিং ঙসিদগী শান্নবা হৌরে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা তয়াই এফ.সিনা ৱার্ল্ড ব্রোবু তাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

হিয়াই এফ.এ. টিম (বি) লাক্তবদগী কাগো এফ.সিনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা পাময়াল গ্রাউন্দ পাৎশোইদা চথুরিবা তরুকশুবা এস.ঐচ. মণি শর্ম্মা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এন.বি.সি.এনা আই.এম.এবু পাঞ্জল ২-১ দা

অমসুং এম.আই.য়ু.এফ.সিনা কে.ৱাই.দি.এলবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)**ঃ সোসিএল ৱাকর কংগ্রেস-খোঙমনগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা তরেৎশুবা থিঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসিগী মেটচতা এস.দি.এ. কিয়ামগৈ মুস্লিমনা এস.ডল্লিয়ু.সি. খোঙমনবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)**ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা আর.সি.এ. লিলোংনা ৱাই.ডল্লিয়ু.সি. থৌবাল ৱাংখেমবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)**ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি খাঙবোক পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা- আই.বি.এস.এ-য়ুমাম লৈকাইনা সেদো-থাংমৈবন্দবু ৱিকেট অহুমদা অমদি ওস্কার-পাউনা বজারনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুংবু রন-২২ দা থোইখ্রে।

**ৱ্শু (এল)**ঃ সেন্ত্রেল ৱুশু ইন্সটিট্যুট, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিয়েসন, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিয়েসন অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিয়েসননা পুন্না খুৎশমদুনা ৱাংখৈ অঙোম লৈকাইদা লৈবা ৱাল য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব কম্যুনিতি হোলদা হৌখিবা চহিদা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল ৱুশু টুর্নামেন্টশিংদা মকোক মথং তারবশিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা শরুক য়াখি।

**বোক্সিং (এল)**ঃ ৮ শুবা ইলিট মেন্স নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা হয়েংদগী উত্তর প্রদেসকী রাইবরেরিদা হৌরগনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়ানবা মনিপুরগী শান্নরোই তরেৎ থা অসিগী অহুমদা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

**টেন্নিস** ঃ ভারতকী সুমিত নগল নিউজিলেন্দদা পাঙথোক্লিবা এ.এস.বি ক্লাসিক তুরনামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা মেইন রাউন্দ চংবা ঙমখ্রে। ঙসি অয়ুক শান্নখিবা ফাইনেল ক্বালিফায়িং রাউন্দদা মহাকা ফ্রান্সকী এদ্রিয়ান মনারিনোবু ৭-৬, ৬-৩ দা মায়থিবা পীখিবনি।